# তাবদা য়াম্না মীপাইবা, পেন্দবা ফাওজে

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-





পিকখ্রবা মীওই লাক্ষ ৩০ মুক্তং লৈবা, মসিদা অমুক ইন্নর কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনা মীওই লাক্ষ ৯ খক্তমক এম পিগী ভোট থাদবা অসিদা য়াম্না কাঙলোন নাইদবা মওংদা ভোট থাদখিবগী পোল্লিং ষ্টেসন ১২দা ভোট রিপোল তৌগদৌরি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরক্লে হায়না পাউচেদা থেংনখি। অদুবু য়াম্না নুংঙাইতৗবদি পোল্লিং ষ্টেসন ২৮দা রিপোল তৌনবা চে ইখিবনি পোলিটিকেল পার্টি খরনা। পোল্লিং ষ্টেসন ২৮দুগী মনুংদা পোল্লিং ষ্টেসন ১২খক রিপোল তৌগনি হায়না অৱাবা ওর্ডর থোকপসিদি য়াম্না অৱাবা, নুংঙাইতবা ফীভমনি হায়না খল্লি। ভোট মায় পাকপা হায়বসি মীওই অমা অনী হেনবদা অদুম মায় পাক্লিবনি। মসিদা অনীশুবা, অহুমশুবা তারুবগী থোৎলোক্না কাল্লবা লৈতে হায়না থল্লিবনি। মীওই ভোটর অমা অনী হেন্দুনা কাবা য়াবা ফীভমসিদা লেমহৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬তনা তশেংনা য়াম্না মওং তাদনা ভোট থাদনখিবা ওইরগদি হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১৬ অসিদগী ভোটর মশীং থিবদা অসুক্কী মতিক খেয়াহনবা য়াবগী ফীভম লৈরিবনি। মসি ঈ সী আইনা য়াম্না লয়্না লৌফম থোকই।

করিগীদমক হায়রিবা পোল্লিং ষ্টেসন ১২ অসিদা রিপোল তৌগদৌরিবনো হায়বসিদি মীয়াম্নসু হেল্লা খঙনবিরম্লগনি। অদুবু মীওই কয়াদগী, পাউচেগী অমদি টি ভিগী দিক্সসন্নচিংবদগী তাজবগী মতুং ইন্না ঐহাক্কী ইমিৎসিনা শংশংনা উজবদা, মপালদদি য়াম্না মওং তানা পরেং-পরেং শাংনা-শাংনা লেপ্পগা ঙাইদুনা লেপ্লি ময়াম্না মখোয়গী ভোট থাদজবগী মতম য়ৌরকপা ঙাইদুনা। অদুগা মনুংদনা তোঙানবা শক্তম অমা। মখোয় মীওই খরা অমনা ভোটরশিংগী মহুৎ শিন্দুনা হঞ্জিন হঞ্জিন ভোট থাদরি অশেংবা ভোটরশিং অসি শুক্নাও হেক য়াওদনা। খুজিলদা মুক তৈশিল্লগা 'য়ারে নখোয়গী ভোট থাদরে' হায়দুনা থোকহল্লকপা ময়াম অমা। অদুতা নত্তনা, পার্টি অমখক্কী, মরু ওইনা কন্সটিট্যুএন্সি অদুদা লৈরিবা এম এল এ নৎত্রগা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী মিনিষ্টরগী মীওইশিং নত্তনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমতগী পোল্লিং এজেন্টশিং পোল্লিং ষ্টেসন মনুংদা ফমহন্দবা, য়াওহন্দবা অসিনি। মসিগী মথক্তা, অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমগী কেন্দিদেট ওইরিবা মীওই অমনা করিগুম্বা অশোয়বা, য়ানীংদবা খরা লৈরে হায়দুনা ৱাহং খরা পোল্লিং ষ্টেসন মনুংদা চঙদুনা হংলুবদা মহাকফাওবা ফুগদবগী মওংদা তৌরকপনচিংবা তাজৈ। অদুগা রিপোল তৌগদৌরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অসিদা অয়াম্বা মফমদা চাদা মরিফু, মরিফুতরাগী মথক্তা ভোট থাদনখিবা, মদুসু পুং ৪ তাদ্রিঙৈদা ঙন্তানা। অদুগা অমনা, শেল ময়াম অমা য়েন্দুনা ভোট থাদহনবগী চৎনবী অনীমসু কন্না, ফোঙনা তৌবা। টাইৱান্দা চহী ২১ হেন্না, টাইৱানগী সিটিজন অমা ওইনা ইশামক প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন, মেয়র ইলেক্সন অমদি লো মেকর ইলেক্সন্নচিংবদা ভোট থাদবা থেংনরিবা ফীভম অদুগা পিকখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক্তা তৌরিবা মওং তাদবা থৌওংশিং অসিগা চাংদম্নরুবদা থম্মোয়সে অসুক্কী মতিক নুংঙাইতে, শোকই অমদি পেন্দে। টাইৱান্দদি মপান্দনা পুলিস পার্সনেল অমা অনীখক লেপ্তুনা মথৌ পাঙথোকই অদুগা ভোটর ময়ামসিনা ইশামক অমদি ঐহাক্কী লোয়নবী অমদি ইচানুপী য়াওনা পরেং শানা লেপ্তুনা মাগী মাগী তাঙ্কক য়ৌরকপদা মশা মশাগী আইদেন্টিটি কার্দ পুথোক্তুনা পোল্লিং ষ্টেসন্দা লৈরিবা ওফিসলশিং অদুনা মথং মথং রেজিষ্ট্রেসন পেপরদুগা আইদেন্টিটি কার্দতুগা চানবরা য়েংলগা মশা মশানা বেলোট পেপরদু পায়দুনা কনা অমত্তা য়াওদনা মশানা পামজবা কেন্দিদেটতুদা মখোয়না থল্লিবা ষ্টাম্প অদুদা কেন্দিদেটকী মপাদা পীরিবা চিথেক নাইবা (স্কৱার বোক্স) অহাংবা মফম অদুদা নমদুনা থাদৈ। থাদবা লোইরগা অতোপ্পা নাকল অমরোমদা লৈবা থোঙ অদোমদা থোক্লকই। মসিগী মথক্তা পোল্লিং ষ্টেসন খুদিংমক্তা সী সী টি ভি কেমেরাশিং লোইনা খিন্দুনা ভিদিও রেকোর্দিং তৌশিন্দুনা থম্মী করিগুম্বা কাঙলোন চুমদবা ভোট থাদবনচিংবা থোকপা য়াওরসু অমুক হন্না য়েংশিনবা য়ানবা হায়দুনা। অসুক্কী মতিক ঈংনা তপ্পা, ৱা অমত্তসু ঙাঙনদনা ভোট থাদনৈ। মীশিংদা হায়রুরদি মীওই লাক্ষ ২৩০ হেন্না লৈবা লমদমনি। অদুবু ভোট হনবা খোৎপগী পাউ অমত্তসু তাদে। অদুগা ভোটসু হেক লোইবগা নুমিৎতুমক্তদা অদুম থিবা হৌরে টি ভি চেনেল কয়া অমদা লাইফ টেলিকাষ্ট তৌদুনা। নুংথিলগী পুং ৪ অদুৱাইদা ভোট থাদবা হেক লোইবগা থিবা হৌবদুনা নুমিদাং পুং ১০দগীনা ১১ অদুৱাইদদি কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা ভোট মশীং থিবা লোইদুনা কনানা ভোট কারে হায়বসি লোইনা অদুম নুমিত্তুদা খঙবা ঙম্মী। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদদি মীওই অহুম মরিখক্কী ভোট থাদবসিদা নুমিৎ ৫/৬নি চঙনা থমজিনবী ভোট থিবা হৌদনা। অদুগা হৌজিক্কা অমুক রিপোলগীনি হায়না অমুক ভোট থাদনরি। অসুম্না থমজিনবসিনা পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক্তুগী পোলিটিকেল পাৱর অমদি মসল পাৱর শীজিন্নদুনা ভোট বোক্স নৎত্রগা ঈ ভি এমশিং অদুবু হাংদোকপগী পাউসু তাই ভোট থিবা হৌদ্রিঙৈদা। মসিমক ইন্দিয়া পূম্বদসু থোক্লিবা ৱাফমনি। মরম অসিননি অফবা কেন্দিদেট খনবগী মহুত্তা মতিক চাদবা কয়াবু লুচিংবা ওইনা খনবদগী ঙসি ইন্দিয়ানা চাওখৎপা ঙমদ্রিবসি। অসিগুম্বা থৌওংসিনদি কদাইদগী মীহুৎ শেংনা খনবা ঙমগদৌরিবা। অশেংবা, অফবা মীহুৎ খনগৎতুনা থাগৎপা নত্তবনিনা লৈপাকসি মাঙদা চুম্না চঙশিনবা ঙমদনা লৈরিবসিনি। হায়রিবা হৌজিক লৈরিবা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসি হোংদোকত্রিবমখৈদি ইন্দিয়ন অমদি মণিপুরদা অশেংবা লুচিংবা খনবা শুকঙম ঙল্লোই। মরম অদুনা চাওখৎ খোঙথাংসু অদুক্কী মতিক তপকনি। মসিমক হৌজিক হৌজিক মণিপুরদা অমদি ইন্দিয়া পূম্বদা থোক্লিবনি।

হঞ্জিল্লকপদা, হন্দক্কী আউট অমদি ইন্নর অনীমক্তা থোক্লিবা য়াম্না ফজদবা ভোট থাদনবগী চৎনবী অসি পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক্তুনা য়াদুনা, তৌদুনা লাক্লি ঙসি ফাওবা। হন্দক্কী মতাংসিদসু অদুমক চত্থরি। য়েংবীয়ু, হৈঙাং কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা খ্বাইদগী চাউনা য়াম্না অনদেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা ভোট থাদনবদগী রিপোল তৌরি। অতৈ কন্সটিট্যুএন্সি হায়বদি অন্দ্রো, কৈরাও অমদি থোংজু কন্সটিট্যুএন্সিশিংসু য়াওরি। হৈঙাং কন্সটিট্যুএন্সি অসিমক্তি হৌজিক হৌজিক মণিপুরগী সী এম ওইবিরিবা লুচিংবা অসিগী কন্সটিট্যুএন্সিনি। মফম অসিদা করি মরমগীদমক পোল্লিং ষ্টেসন অমা ফাওবদা সী সী টি ভি থমদ্রিবা। মসিনা য়াম্না চিংননীংঙাই ওইবা, ইকায়নীংঙাই ওইবা ৱাফম অমনি। অতৈ কন্সটিট্যুএন্সিদনা সী সী টি ভি থম্বা অদুগা সী এমগী কন্সটিট্যুএন্সিদনা সী সী টি ভি পোল্লিং ষ্টেসন অমা ফাওবদা থমদবা হায়বসি য়াম্না ইকায়নীংঙাই ওইবা মওংনি হায়না থমজগে। সী সী টি ভি থমদবগী মরু ওইবা মরমদি অরানবা তৌদুনা ভোট ফংনবা হোৎনবনি হায়বসি য়াম্না শেংলবা ৱাফম ওইদ্রিবরা। অসিগুম্বা অরানবা থবকশিং তৌবদা মিদিয়াদা শোয়দনা ঙাঙনরক্কনি হায়বসি মখোয়সু খঙলিবা ঙাক্তনি অদুবু ভোট কারবদি হায়দুনা করিমত্তা খন্নদ্রে।

নাকল অমরোমদদি মীয়াম ৱাখল তাদে, শেলনা হোই হোইদুনা চৎলি হায়বনচিংবা মরাল পীশিল্লি মীচম মীয়ামদা লুচিংবশিং অসিনা ৱা হেক ঙাঙবদা। অদুবু শেল পীরিবদি মীখল থেংনরিবশিংনা পীবনি। শেল পীবতা নত্তে তোঙান তোঙানবা অশেংবা মীখল পাঙথোকপগী মায়োক্তা অতোপ্পা পার্টিগী এজেন্টশিং য়াওহন্দবা, অতোপ্পগী ভোটপু মীওই খরনা পার্টি অমগী কেন্দিদেটতা থাদবা, মীচম মীয়াম্বু কিহনবনচিংবগী থবক কয়াসু চত্থনরি। চুম্না মশা মশানা পামজবা কেন্দিদেটশিংদা ভোট থাদজবফাও ঙমহন্দ্রে পোল্লিং ষ্টেশন কয়াদা। সিবু করি মওংনো। ঐহাক্তি মসি য়াজনীংদে। পার্টি কানবা হোৎনবদা অরৈ অরৈবা পাম্বৈ থিদুনা য়াম্না অনদেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা, চৎনবী, অচুম্বা কাঙলোন খুদিংমক থাদোক্তুনা ভোট খোম্বা, লেপ্পা, ভোট থাদহনবা অমদি ভোট কাবা অসিননি ঙসি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক্না চাওখৎপা ঙমদ্রিবা, ইন্দিয়ানা চাওখৎপা ঙমদ্রিবা।

সী সী টি ভি খিনবগী মতাংদুদা হঞ্জিল্লকপদা, ইলেক্সন চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসরদা হংলুবদা মফম খুদিংমক্তা সী সী টি ভি খিনগদবনি হায়বা ৱারোল লৈতে হায়না খুল্লকই হায়না পাউচেদা য়াওই। অদু ওইরদি অমত্তা খিল্লুরনু, শেল তিংনবনি, থবক চিন্নবনি। পোল্লিং ষ্টেসন খুদিং চপ মান্নবা মীৎয়েং থমগদবনি। হোয়, করিগুম্বা সী সী টি ভি কেমেরানচিংবসি মশীং কোন্নদ্রে হায়রগদি ৱাফম অমনি। অদুমকসু নত্তে। হৈঙাং এ সীদা সী সী টি ভি অমফাওবা খিনদে হায়রিসিবু য়াফম থোকপ্রা, থোক্তে। মসিদি অরানবা মওংদা, কাঙলোন চুমদনা ভোট থাদবা য়ানবা খিনগনু হায়না খিলহন্দবগী মওং মাল্লি। য়াম্না চেকশিন্না ইলেক্সন পাঙথোকফম থোকই। সী সী টি ভি খিনবসিবু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী অয়াবা লৌবগী মথৌ তারিব্রা? মথৌ তাইবু হায়রদি শোয়দনা খিল্লু হায়রক্কনি অদুবু খিনখিদে। হৌজিক রিপোল তৌগদৌরিবসিদি সী সী টি ভি খিনলোইদৌরিব্রা? সী সী টি ভি মফম খুদিংমক্তা খিনবদা করি অকায়বা লৈবগে। ঈ সী আইনা হেন্নদুম হরাওগনি। শেল লৈতবগী ৱাফমসু ওইফম থোক্তে হায়বদি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তগী হন্দক্কী ইন্দিয়াগী এম পি ইলেক্সন অসিনা খ্বাইদগী শেল চঙবা ইলেক্সননি হায়বা পাউ থেংনজৈ। চঙলিবা শেঞ্জাও অদু অসিগুম্বা চঙগদবা মচাকশিং অসি লৈনবগীসু য়াওরিবনি। চীফ এগজিক্যুটিব ওফিসরগী পাউখুমদো য়াম্না নোক্লিংবা ফাওই। মীয়ামসিবু য়াম্না পংবগী মওংদা হায়রি।

ৱাফম অমনা, হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী স্পোক্সমেনশিংনা য়াম্না তত্তনা 'মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পাঙথোকপা ভোট নত্তে, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা পাঙথোকপনি' হায়বা তাই। ঈ সী আইনা পাঙথোকই হায়বদি মী লোইনা খঙনৈ অদুবু ঈ সী আইনা পাঙথোক্লবসু ইলেক্সন পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদা য়াওরিবা ওফিসরশিং, এজেন্টশিং অমদি অতৈ সেক্যুরিটি পার্সনেলশিং পূম্নমক অসিদি ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা থারকপদি নত্তে। মসিদনি কন্সটিট্যুএন্সি কন্সটিট্যুএন্সিদা লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা বুথ কেপচর তৌরিবা, নম্ফুদা ভোট থাদহল্লিবা, মীওই খরনা ভোটরশিংগী মহুৎ শিন্দুনা ভোট থাদরিবা, শেল য়েনবনচিংবা তৌরিবা চুমদবা কাঙলোন ময়াম অমা থোক্লিবসি। অসিগুম্বা অনদেমোক্রেটিক ওইবা থৌওংসি আউটরদদি নহারোল কাঙলূপনা অয়াম্বা শীজিন্নে হায়না থেংনজৈ অদুগা ইন্নরদনা পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক অদুনা মনি অমসুং মসল পাৱর শীজিন্নদুনা ভোট কানবা হোৎনবনি হায়না তাজৈ। তারিবসি চুম্ফমসু থোকই। হান্নদগী অরানবশিং অসি তৌদুনা লাক্লে হায়দুনা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিনসু অদুমক চত্থবিরোইদবনি। অহোংবা, অফবা খরা তৌদুনা অফবা লৈঙাক অমনি হায়না শোন্নহৌনবা হোৎনবীগদবনি। হান্না পাল্লম্বা লৈঙাকশিংনা অরানবা, ফত্তবা তৌরম্লবসু পুথোক পুথোক্তুনা মশানা মশাবু কঞ্জনবা হোৎনবগী মহুত্তা অফবা, অচুম্বা খরা পুরক্লুবা হোৎনবীয়ু খুন্নাইসিদা। অসুম্না অফবা তৌরবদি তুংদা ভোট কাগনি-কারোই হায়বগী করিসু ৱানীংঙাই লৈতে।

লোইশিল্লকপদা, মণিপুরনা, ইন্দিয়ানা চাওখৎপা ঙমগদবা মতমদি অসিগুম্বা ইলেক্টোরেল সিষ্টেম অসি হোংদোক্লবা নৎত্রগা হৌজিক চৎনরিবা সিষ্টেম অসিদা চুম্না মীচম মীয়াম্না মশা মশাগী অপাম্বা কেন্দিদেটশিংদা মনীং তম্না ভোট পীজবা ঙল্লবা কান্দতা চাওখৎপা ঙমগনি। লমদম অমা চাওখৎপা হায়বসি লমদমদুবু মমা মপাগুম ঙাক শেনগদৌরিবা লুচিংবা, লুচিংবীশিং অসিনা থম্মোয় শেংনা হোৎনদুনা, মীয়াম্না য়াহন্দুনা ভোট কারকপা অদুনি। শেলনা, মসল পাৱরনা কারকপশিংনা ইরমদম কংলৈপাক্কী লুচিংবা হেক ওইরিবমখৈ লমদম অসি চাওখৎপা শুকঙম ঙল্লোই। অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লুবা ভোটতা মীরেপ ওইনীংবশিংনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী খন্দুনা পার্টি অমদগী পার্টি অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌবসিগী চৎনবীসিমা তোকপীরো। মীয়ামসু পঙদ্রবনি হৌজিক্তি। পার্টি আইদিওলোজিদা য়ানীংবা মরম্না চোঙগে খল্লগনা মীখল য়াম্না ৱাৎলিঙৈদা চোঙবীয়ু। ভোট হেক মমাঙদা নৎত্রগা কারবা মতুংদা খুদোংচাবা য়েংদুনা পার্টি অমদা নৎত্রগা পাল্লিবা লৈঙাক্তুগী পার্টিদা চোঙশিনবা অসিমসু তোকপীরো। মীচম মীয়াম্না নুংশিদুনা নৎত্রগা থাজদুনা পীখিবা ভোট অদুগী ইকায়খুম্নবসু উৎপীয়ু। মীচম মীয়াম অমদি ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগীসু খনবীয়ু। লমদম অসিনা চাওখৎপা, মাঙদা চঙশিনবা হায়বসি লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবশিংগী খূৎতসু লৈ। তুংগী য়াইফনবা হোৎনবদসু হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নীংই।◂◂

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী পোকপগী চহীদা য়েৎনরকপা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

স্কোলর কয়াগী মরক্তা অমা ওইরিবা শ্রী খেলচন্দ্রগী মতুং ইন্না ভাগ্যচন্দ্র কুমজা ১৭৪৮, পোইনুগী ১৩নি পানবা লৈবাকপোকপদা পোকই অমসুং কুমজা ১৭৬৩দগী ১৭৯৮ ফাওবা নিংথৌ ওইনা পানখি অসিনি। মসিদা অমুক শ্রীশ্রী অনুপ্রভু অখরা শেমগৎ মরুপ্নদি মথক্কী মত অসিগা মান্নবা ৱাফম থম্বী। অদুগা অমুক মশাগী চহী ২৫দা নিংথৌ ওই অসিনি। মহাক্না কুমজা ১৭৬৩দগী ১৭৯৮ ফাওবা পাল্লবদি মানা নিংথৌ ওইবা মশাগী চহী ২৫শুবা ওইরবদি ১৭৬৩দগী ২৫ খাইদোকপদা ১৭৩৮ অসি তারে। অমুক্কা সরাংথেম বরমনি চীংঙামখাদা লৈবগী মত মতুং ইন্নসু কুমজা ১৭৪৮দা পোকই। লৈবাকপোকপা পোইনুগী ১৩নি পানবা নুমিৎনা ৱাতোন লোম্বা মতমদা পোকপগী মতম ইবিরম্মী। ময়াম্লুং গৌরশ্যাম্না থুপখ্রবা কুমজা ১৭৬৩গী থৱানগী ২৯নি পানবা লৈবাকপোকপদা নিংথৌ ওই। অদুগা মশাগী চহী ৩৫শুবদা নিংথৌ ওই অসিনি। অদু ওইরবদি কুমজা ১৭৬৩দগী ৩৫ খাইদোকপদা মশাগী পোকপগী চহী তাফম থোকই। অদুদি মথক্কী ফল অসি কুমজা ১৭২৮দা পোকপা তারি। অয়াম্বা লাইরিক শ্রী তোনদোনগী জি কেগুম্বদা কুমজা ১৭৬৩দগী ১৭৯৮ অসিদি ইমান মান্নে। কুমজা ১৭৯৮গী লাংবনগী হুমনি পানবা ইরাই নুমিৎতা মশাগী চহী ৫০শুবদা নোংগাখ্রে হায়বা ওজা বরমনিগী মত লৈরে। অদুদি নিংথৌ অসিনা পোকপসি কুমজা ১৭৯৮দগী ৫০ খাইদোকপগী ফলদা ১৭৪৮ অমুক অদুম তাই। অমুক্কা মশাগী চহী ২৫দা নিংথৌ ওইরবসু খেন্নবা অমুক লৈরে। অদুনা মশাগী চহী ৩৫দা নিংথৌ ওইবা অসি পারগা অমুক কুমজা ১৭৪৮ অসিগী ফল ফংদে।

হৌজিক লাক্লিবা ৱাফমদি কুমজা ১৭২৯, ১৭৪০, ১৭৪৮ অসিনচিংবা কয়া অসিনা লেপকদবা অসি নিংথৌ ফম্বাল কাবগী চহী পুথোকপা য়াম্নমক মথৌ তারি। অমুক শ্রীশ্রী অনুপ্রভু সেবা তেংবাং মরুপনা ফোঙবা লাইরিক্তা অমুক থেংনবনা মশাগী চহী ২৫শুবা কুমজা ১৭৫৯, শজিবু অসিনি। মসিগী ফল অসি পুথোকপনা ১৭৫৯দগী ২৫ খাইদোক্লগা ১৭৩৪ অমুক তারি। কুমজা ১৭৬৩ অসিদা নিংথৌ ওইরগা পানবা মতমদা মোইরাংগী মাগী মাম্মা খেলৈ নুংনাং তেলহৈবনা লম নীবদা পীদবদগী অৱাগা লৌতুনরদুনা ভাগ্যচন্দ্রগী মথক্তা লান্দাবা অসিদা কছারদা চেন্দুনা লৈরুরবা মতুং মণিপুরদা অমুক কুমজা ১৭৬৭দা লাক্তুনা শঙাইথেন্দা কোনুং শেল্লগা পানখি হায়বা লৈ। অদুনদি মহাক্না নিংথৌ ওইবা চহী ৪ রোম অসি লান চেনবা অমদি লান থেংনদুনা নিংথৌ খুভম হঞ্জিন্নবা হোৎনবগী মনুং অসি তেকখাওগী শামু অঙাওবা ফাবা মতমদু ওইবা তারি। অদুনা ভাগ্যচন্দ্রনা নিংথৌ ওইবসি কুমজা ১৭৯৮দগী ১৭৬৩ খাইদোক্লগা ৩৫ তারে। মশাগী চহী ২৫দা নিংথৌ ওইরবদি চহী ৩৫গা ২৫গা তিনশিনবদা চহী ৬০ তাই।

অইবা বরমনিগী মত মতুং ইন্না মহাক চহী ৫০শুবদা থুপখিবগী ৱারোল পল্লি। কুমজা ১৭৯৮দগী ৩৫ খাইদোকপদা ১৭৬৩ তারে অদুনদি চহী ২৫শুবদা নিংথৌ ওই হায়না পল্লম্লবনিনা ১৭৬৩দগী ২৫ খাইদোক্লগা অমুক য়েংবদা ১৭৪৮ অমুক তাই। অদুনা খ্বাইদগী মরু ওইবসি ভাগ্যচন্দ্রগী পোকপগী চহী থিবদা চঙবসি মানা নিংথৌ ওইবসি চহী কয়া শুবদা নিংথৌ ফম্বাল কাবগে হায়বসিনি। অদুনা মসিগী মতাংদা চয়েৎনবা খরা লৈরিবসি মমুৎ তানা নৈনবীদুনা ঐখোয়গুম্বা খঙবা ৱাৎপা কয়াবু ৱাখল তাহনবীগনি হায়বা থাজবসু থমজরি। মহাক চহী ৫০দা থুপখিবা ওইরবদি চহী ৩৫ নিংথৌ ওইরে। মসিনা তাকপদি মশাগী চহী ১৫দা নিংথৌ ওইবা তাই। অসুম্না চহী অসি পানবদা ইচেন চেন্নবা অমা ঐখোয়না থেংনৈ। মসিগী মহয়দি পুৱারী ইবিরম্বা কয়াগী অশোয়বা অরানবা য়াওব্রা, মসিসু হায়বা ঙমদে। অদুবু য়েৎনদবা লাইখাই শেংবা খরদি ৱাৎপগী মমিদি তারে। অদুনা খোংজোমগী লানগী নীংশিং থৌরমসু চয়েৎনবা অদুম লৈবগী ঙাঙনবা লৈখ্রে। স্কোলর কয়া থুপখ্রে, কয়াসু লৈরি, ইবিরকপা মতমদা মীয়াম্বু ৱাখল তানবা ইহন্নীংই।

*অদোমগী - এম থম্বৌ, ককচীং খুনৌ হিজম লৈকায়*

### তৌগদবা থবকশিং মচিৎ-মখাক থল্লমদনা মপূং ফানা লোইশিনবীরম্মু

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

হায়নবা লৈ, ঐখোয় মীওইপোক্তা, তৌরু-তৌরুবা থবক্তা মচীৎ মখাক নাইবা থবক কয়া তৌরম্লগা পুন্সি তেনখিবা, করিগুম্বা খুদোংচাদবদগী অনা-অয়েক নৎত্রগা য়ূম হোংদোক হোংজিন তৌবদগী হান্না পামজনা পায়খৎচরম্বা থবক থৌরম কয়াবু মচিন মৈ মুথৎলকপদা মখা চত্থবা য়াদবদগী হুন্দোক্লম্লগা থনম্বা থবক কয়া তুংদা লাকপা মীরোল কয়ানা পাম্মুবদগী নৎত্রগা পামজনা পায়খৎচদুনা থবক অদুগী মহয় ফংববু য়াওই।

হায়নবা লৈ, নঙনা তৌজরকপা কম্মগী ফল, মহয় অদু নঙনা ফংবনি, মরম অদুনা পোলিটিক্সতা, লাইনীং-লাইশোনগী চৎনবীদা মানা মানা তৌজরুবা, হায়রুবা কয়া অদুগী মহয়দি মশানা ফংজগদবনি হায়বসি অচুম্বনি, ফংসু ফংনরি। হৌজিক্কালগী পোলিটিক্সতা ঙাঙনরিবা, হুন্নরিবা ময়াম অসিবু অতাবা, অখঙবা পাউচে পারিবা/পারিবী ময়াম্না ৱায়েল চত্থবা নত্তনা অতৈ কনানা অচুম অরান খঙবীবা ঙমগদগে?

মরুওইনা হৌজিক্কালগী লৈঙাক্তা মকোক ওইরিবা পোলিটিকেল পার্টি অনী হায়বদি কোংগ্রেস অমদি বি জে পি অনী অসিনা হুন্নরি-লাউনরি। কোংগ্রেস পার্টিনা হায়রি, কোংগ্রেস পার্টিনা চহী ৫/১০ লৈঙাক পায়রিঙৈদা শেল্লম্বা, শারম্বা, হৌরম্বা, লোইহৌদবা থবক ময়াম অমা বি জে পি লৈঙাক লাকপদগী লোইরমদবা ময়ামদু লোইশিন্দুনা নুমিৎ খুদিংগী, থা খুদিংগী ওইনা হোঙবগী (ইনোগ্যুরেল ফঙ্কসন) থৌরম চত্থে হায়না হুন্নরিবা, লাউনরিবা ময়াম অসিবু কনানা ৱায়েনবীগদৌরিবনো?

মতাং অসিদা অপাবা ঐখোয়না হায়জনীংবদি 'ওক্না নিল্লগা লমহুইনা মনা থাবা' হায়বা অদুনি। মরমদি দিলেস আর দেঞ্জরিয়স, মথোং মরম খঙদনা থবক তৌবা হায়বদুগী মহয়নি। মরমদি কোংগ্রেসনা পায়রে হায়দুনা ঠিকাদার কয়ানা বেনিফিসরি, কোংগ্রেস সিম্পেথাইজর কয়ানা শেলতবু মীহৌবদগী তুং-মাঙগী লাক্কদবা ঈজৎ কয়াবু খোঙ্গাওনবদগী হায়বদি কোংগ্রেস লৈঙাক তুররোই হায়না খনখিবদগী থোকখিবা ঙাক্তনি। খুদোংচাবা লাকপদগী বি জে পি লৈঙাক লাকপদসু লুপা, সনা খাঙজাও কয়া কয়া খোঙ্গাওনবদগী থোরকপা ৱাথোক ঙাক্তনি। মৈতৈগী ৱাহৈদা পুক্কংবনা শানোয়বা শকই হায়বা অদুনি। হায়বদি লৈঙাক পায়রিঙৈদা টেবল-চৌক্রি কোন্দুনা ৱাজাও কয়া ঙাঙ-শক্তুনা লৈরিঙৈদা নারোন্দা তুম চঙদুনা অৱাবা তাখিবা অদুগী কাঙলোনগী লংলা লংজিন খঙহৌদবদগী থোকখিবা ওইরোইদ্রা? শম্না হায়রবদা ঐখোয় মৈতৈগী উসব, মেলাদা চাক চাবা লোইরমদাই হে মহী, থুম য়েনখ্রবা ফাওবদা চাক্লুক মাঙদা ফমদুনা ৱারী শানদুনা লৈরিঙৈদা চাক পুক থন্না চাহৌদবা অদুগা মান্নবা ওইরোইদ্রা?

অরোইবদা ইজরিবা ইশানা ৱাকৎচনীংবদি হৌখিবনা হৌখ্রে, লৈরিবা অমদি লাক্কদবা লৈঙাক পায়বীরিবা অমদি পায়বীগদৌরিবা পার্টিশিং অদুনা তৌগদৌবা থবকশিং মচিৎ-মখাক থল্লমদনা মপূং ফানা লোইশিনবীরম্মু হায়না নোল্লুক্না নীংশিংজরি।

*অদোমগী - এম মনাও*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৪**

১। চহী হৌবা হায়বসি মীওইবা জাতি খুদিংমক্কীনি। মৈতৈ খুন্নাইগীসু চহী খুদিংগী চৈরাওবা হায়দুনা পাঙথোক্লি। ঐখোয়গীদি চৈরাওরগদা লোইদে। চহী অমগী তৌফম থোকপা লাইথৌ-তিনথৌ কয়াসু পাঙথোকই।
(ক) চৈরাওবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদা মাইবশিংনা য়াচংবদা করি লাইথৌ পাঙথোকপগে?
(খ) শজিবুগী ৭নি পানবদনা মাইবশিংনা করম্বা লৈবাক্কী য়াইফ-থৌরম পাঙথোকপগে?
২। "কৃষ্ণরা, জিসসলা, আল্লারা/নৎত্রগা সনামহীরা? কনানো অমহেক্তা/ঐবু প্রলয়সিদগী অমুক্তা কল্লুনে।" কনবিয়ু লাউরিবা কবি অসি কনানো?
৩। "ইশাগী কান্নগনি হায়রবদি/মীগী মাঙনবতা খনগদবনি/ইশাগী কান্নবা লৈত্রফাওবা/মীগী মাঙনবা তৌগদবনি।" পরেং মরি অসি কবি থাংজম ইবোপিশক্কী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "লাক্কনি ঐ/লেপ্পনি নোংমা/তেক কায়রবা/নঙগী থোঙ্গালদা।" পরেং মরি অসিনা অইবী লাইরেল্লাকপম ইবেমহলগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। "ঐদি, ঐবু নুংশিবিখিবা মখোয়দা খুল্লং হনখিবতনি/ভোটতা মখোয়না শেঞ্জা খুল্লং কূমখিবদুগীনি।" পরেং অনীসিনা 'পাইতু খাউদু' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। মপানগী অইবদুগী মমিং হায়য়ু।

*মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল* **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** *সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা*

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।*